# নোঠ ইষ্ট ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ সব-জুনিয়র ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপতা অরুনাচল প্রদেশ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন ( এ আই এফ এফ ) কী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না ঈন্দুনা থা অসিগী ৭ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা টিম ৬ না গ্রুপ- ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা সব-জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০ ( নোঠ ইষ্ট ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ)গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অরুনাচল প্রদেশ মায় পাকখ্রে।



অরুনাচল প্রদেশনা মেটচ অসি চাওনা মায় পাকখিবনা মণিপুরগা থা অসিগী ১১ দা অরুনাচল প্রদেশকা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি চেম্পিয়ন্সিপ অসি ক্বালিফাই ওইন্নবগীদমক মায় পাক্তবা য়াদবা য়ুম্বুগী মেটচ ওইগদৌরি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ- এগী ত্রিপুরা অমদি অরুনাচল প্রদেশনা শান্নখিবা মেটচতা অরুনাচল প্রদেশনা ত্রিপুরাবু য়াম লাকচন্না গোল ৮-২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা অরুনাচল প্রদেশকী গোলশিং অদু অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৪ /৪ অদুগা মায়থিরবা ত্রিপুরাগী গোলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা চনখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী নাকল অনীমক্লা য়াঙনা শান্নরকপ্লা মিনট ১০ গী মমাঙদা টিম অনীমক্লা গোল অমমম চন্নখি। ত্রিপুরানা মিনট ৮ চৎকপদা জর্সি নম্বর ৮ অনিস দেবভর্ম্মানা অহানবা গোল চদনখ্রবা মতুং থংন্নবা মিনটতা অরুনাচলগী জর্সি নম্বর ৯ দোরজি লেপচানা গোল হন্দোক্তুনা ১-১ দা মান্না লৈন্নখি।

ত্রিপুরানা চত্থরকপা কাউন্টর এটেক অমদা মেটচকী মেটচকী গোল একাউন্ট হাঙখিবা অনিস দেবভর্ম্মানা মহাক্কী অমদি টিমজগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থনা লৈরিবা অরুনাচলনা ত্রিপুরাবু চপ চান্না শীংন্নরক্তুনা মখোয়গী মাপাঙ্গল ফুদোক্তুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্নরগা শান্নরক্তুনদা মিনট ২৯ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ জেক্কি রাপুংনা পাঞ্জল মান্নবগী গোল অদু চন্দুনা ২-২ দা মান্না লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক পূশিনলক্লবা হোৎন্নখি।

অহানবা হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাইশিং দা অরুনাচলনা চাঙ নায়না তকশিনলক্তুনা শান্নরকপদগী জর্সি নম্বর ২ টিমগীসু কেপ্তেন য়ুরা তরুংনা ৪০ মিনটতা অহুমশুবা গোল চনখি। অদুগা টিমগী জর্সি নম্বর ১০ মাম প্রিমা সেল্লানা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা মরিশুবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৪-২ দা মাঙজিল থাখি্।

অনীশুবা হাল্ফতসু অরুনাচলনা ত্রিপুরাবু অদুমক লাকশিন্না শান্নদুনা ত্রিপুরাগগী শান্নরোইশিংবু দিফেন্সখক্তদা মথৌ তৌহনদুনা কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহনকি। মেটচকী মিনট ৬৯ চৎপদা অরুনাচলগী জর্সি নম্বর ৯ দোরজি লেপচানা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা টিমগজী ৫ শুবা গোল অদু চনখি।

অরুনাচলগী ৬ শুবা অমদি ৭ শুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১১ দামরি বোমনিয়োনা মিনট ৭৪ অমদি জর্সি নম্বর ১৩ টিলি পায়েংনা মিনট ৭৭ চৎপদা চনখি। টিমগী ৮ শুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ তোকূ পানুংনা মিনট ৮৫ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা অরুনাচল প্রদেশকী জর্সি নম্বর ৭ জেক্কি রাপুঙদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি জাটিন্দর সিংহ, সোমিনাঠ বেনরজি, নাবিন উত্পাল অমদি লাকশেনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

সব-জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০ গী হয়েং গ্রুপ-বিগী মেটচতা মেঘলায়া অমদি মিজোরামনা নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নরগনি।

# ইবোবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা এন আই ভি এস ও কৈবী অমদি নেসু খুরাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ২১ দগী টিম ১০ না শরুক য়াদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা চত্থরিবা মোইরাংথেম ইবোবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ মতম খরা লেপলুরবা মতুং ঙসিদগী অমুক শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নোঠদন ইরিল ভেল্লি স্পোর্টস ওর্গানাইজেসন ( এন আই ভি এস ও) কৈবী অমদি নোষ্ট ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( নেসু) খুরাই মায় পাকখ্রে।



লীগ অসিগী ২৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা নোঠদন ইরিল ভেল্লি স্পোর্টস ওর্গানাইজেসন ( এন আই ভি এস ও) কৈবী অমদি অঙথা এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা এন আই ভি এস ওনা অঙথা এফ সিবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী হৌরকপদগী নোঠদন ইরিল ভেল্লি স্পোর্টস ওর্গানাইজেসন ( এন আই ভি এস ও) কৈবীনা বোল হেন্না পায়রগা শান্নদুনা অঙথা এফ সিগী মায়কৈদা এটেক চত্থদুনা প্রেসর পীশিনখি। প্রেসরশিং অদু অঙথা এফ সিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী মেটচকী মিনট ৩১ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ২০ প্রতাপনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু নোঠদন ইরিল ভেল্লি স্পোর্টস ওর্গানাইজেসন ( এন আই ভি এস ও) কৈবীনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনদুনা শান্নখিবনা মিনট ৩৭ চৎপদপা কৈবীগী জর্সি নম্বর ১৯ এম ডি সদামনা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি।

অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৬ কান্নরগা ৪৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ এ কে দিঙ্কুনা অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা নোঠদন ইরিল ভেল্লি স্পোর্টস ওর্গানাইজেসন ( এন আই ভি এস ও) কৈবীগী মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে অজিৎকুমার, এল রজা, কে ব্রোজেন অমদি এন অমরজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী ২৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা নোষ্ট ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( নেসু) খুরাই অমদি চনুং শিন্থা ক্লব ( সি এ সি) চনুংনা শান্নখিবা মেটচতা নেসু খুরাইনা সি এ সি চনুংবু য়াম লাকচন্না গোল ৮-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী মিনট ২৭ চৎপদা নোষ্ট ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( নেসু) খুরাইগী জর্সি নম্বর ১০ এস তোম্বরনা অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ৩ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ৯ এম সোমোকান্তনা অনীশুবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৬ চৎপদা খুরাইগী জর্সি নম্বর ১২ এম ষ্টেলোননা যিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩-০ দা মাঙজিল থাখি।

নোষ্ট ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( নেসু) খুরাইগী অতোপ্পা গোল ৫ অদু অতেনবা মিনট ১০ গী মনুংদা চনখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ পি ঐচ লেলিননা মিনট ৬৬, ৭৫ তা গোল ২, জর্সি নম্বর ৯ এম সোমোকান্তনা মিনট ৬৭, ৭২ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৭ টি দিক্সননাং মিনট ৭৬ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা নোষ্ট ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( নেসু) খুরাইগী জর্সি নম্বর ৫ এম প্রেমজিৎ অমসুং চনুং শিন্থা ক্লব ( সি এ সি) চনুংগী জর্সি নম্বর ২ এন থোইবদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এম ইনাও, ৱাই ইঙোবী, ৱাই দেবচান্দ অমদি টি প্রেমজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( য়ু পি এস এ) পুখাও অমদি ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ৱাঙ্খেনা অহানবা গ্রাউন্দা শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদা এঠলেটিক ব্লাদরস এসোসিয়েসন ( অবা) খেত্রিগাও অমদি য়ুনাইটেদ ফুটবোল এসোসিয়েসন ( য়ু এস এ) খুরাইনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# সব-জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওইনাম ভোল্লিবোল গ্রাউন্দ পাব্লিক হোল নিয়র ওইনাম বজারদা থা অসিগী ৮ দগী টিম ১২ না গ্রুপ- ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা ১৮ শুবা সব-জুনিয়র ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুনামেন্ট ২০১৯গী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এন ৱাই ভি এ (এ) নাওরেম অমদি সি ৱাই এল এস সি কাচিখুলনা অহানবা গ্রাউন্দা, অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱাই এম দি ও হৈরাংঙ্গোইথোং অমদি ৱাই পি এ হিরানমৈনা অনীশুবা গ্রাউন্দা, অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুল অমদি পি আর এস সি পৌরাবীনা অহুমশুবা গ্রাউন্দা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কে এল ৱাই জি সি কামোং অমদি আই জি ও ওইনামনা হয়েংগী মরিশুবা গ্রাউন্দা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্টগী ৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুল অমদি এম ৱাই ভি এ (বি) নাওরেমনা শান্নখিবা মেটচতা টি আর ৱাই ভি সিনা এন ৱাই ভি এ (বি)বু সেট ৩-১ ( ২৫-১৬, ২৫-১৯,২৩-২৫, ২৫-২২) দা মায়থিবা পীখি ।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা এন ৱাই ভি এ (এ) না ৱাই পি এবু সেট ৩-২ ( ২৫-১৯,২৫-২২,২২-২৫, ১৯-২৫, ১৫-৮) দা মায়থিবা পীখি। অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা কে ৱাই এল এস সি ক্বাকৈথেলবু সেট ৩-১ ( ১৭-২৫, ২৫-১৯, ২৫-২৩,২৫-২০) দা মায়থিবা পীখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দা পি আর এস সি পৌরাবী অমদি কে এস এ ইরেংবমনা শান্নখিবা মেটচতা পি আর এস সিনা কে এস এবু সেট ৩-০ ( ২৫-১৫, ২৫-১৫,২৫-১৮) দা মায়থিবা পীখি। মঙাশুবা গ্রাউন্দা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুল অমদি আই জি ও ওইনামনা শান্নখিবা মেটচতা টি আর ৱাই ভি সিনা আই জি ওবু সেট ৩-০ ( ২৫-২১, ২৫-১৪,২৫-১৭) দা মায়থিবা পীখি। ৬শুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা কে ৱাই এল এস সিনা এস দি আইবু সেট ৩-১ ( ২১-২৫, ২৫-১৩, ২৫-২২, ২৫-১৮ দা মায়থিবা পীখি।

# সি সি মীর্ট কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা নিকোন হৈঙাং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী পীশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা লৈবা ইরৈমা শঙলেনদা টিম ৮ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা ৬৪ শুবা সার চড়চান্দ সিংহ ( কে সি এস আই- সি বি ই ) নীংশিং লীগ কম নোক অউট কাঙ টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নিকোন হৈঙাং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্টগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি গ্রুপ-এগী পুল ৱানগী মেটচ ওইনা ইরৈমা কাঙখূৎ পিশুম অমদি নিকোন হৈঙাংনা শান্নখিবা মেটচতা নিকোননা ইরৈমা কাঙখুৎপু পাঞ্জল ১৭-১৩ তা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা নিকোন হৈঙাংগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৬ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১১ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা ইরৈমা কাঙখূৎ পিশুমগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৭ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৫ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা নিকোন হৈঙাংগী শান্নরোইশিং অদুদি-

ৱাই রঞ্জিৎ সিংহ, এন মাইপাকসনা সিংহ, এন দিনেশ্বর সিংহ, দব্লিউ অহলজাউ সিংহ, সি ঐচ ব্রোজেন সিংহ, এস বিরেন সিংহ, এল প্রামোজিৎ সিংহ অমদি সি ঐচ গৌরা সিংহনি।

মেটচ অসি টি ঐচ কুমারনা অম্পায়র ওইনা কন্দক তৌখি

# দি ৱাই এস ও থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা তোঙান- তোঙানবা মশান্নশিংগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কোচিং অমদি ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন টেষ্ট অমসুং ক্রোস কন্ত্রি রেসকী কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ক্রোস কন্ত্রি রেসকী কম্পিটিসনগীনা চহী ১৭ মখা অমসুং মথক্কী নুপীমচাশিংগীনা সেপ্টেম্বর ২১ দা দি এস সি ৱাংজিংদা পাঙথোক্কনি। চহী ২৫ মখা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী য়ুঠ ফেষ্টিভেলনা সেপ্টেম্বর ২৬ তা দি এস সি ৱাংজিংদা পাঙথোক্কনি।

থাঙ-তা মশান্নগী চহী ১৪ মখা, ১৭ মখা অমসুং ১৯ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ত্রাইয়েল সেলেক্সননা সেপ্টেম্বর ২৫ তা দি এস সি ৱাংজিংদা পাঙথোক্কনি।

অদুগা নুমিৎ ২১ চূপ্পা পাঙথোক্কদবা মশান্না ৩ দা নন-রিসিদেন্টেল কোচিংগী ওইনা টেবল টেন্নিসকী চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখা নুপামচা অমসুং নুপীমচা, সেপাক তাক্রৌগী চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখা নুপামচা অমসুং নুপীমচা অদুগা ফুটবোলগী চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখা নুপীমচাগী কোচিংনা দি এস সি ৱাংজিংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ক্রোস কন্ত্রি রেসকী ফোম থাজিনলকপগী অরোয়বা মতম থা অসিগী ১৮ ফাওবনি। নন-রিসিদেন্টেল কোচিং কেম্পকীদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খক্তগী ওইগনি লোয়নবা ফোম থাজিনলকপা মতমদা অধার কাদ লোয়ন্নরক্কদবনি।

শরুক য়ানিংবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগগী স্কুল তম্লীবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৩ দগী ফোম লৌবা য়াগনি। পীশিনলকপগী অরোয়বা মতমনা থা অসিগী ২০ দনি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন’স সিক্স এ সাইদ হোক্কি টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভেটরান হোক্কী এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল হোক্কী এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২২ দগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মেলা গ্রাউন্দা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন’স সিক্স এ সাইদ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ১৫ গা লোয়নননা ট্রোফি, রন্নস অপতা লুপা লিশিং ১০ গা লোয়নননা ট্রোফি, থার্দ প্লেসতা লুপা লিশিং ৫ গা লোয়নননা ট্রোফি অমসুং অতোপ্পা ইন্দিভিজ্যুয়েলশিংগী তোঙান-তোঙানবা মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসি নুংথিল পুং ৬ তগী ৯ ফাওবা দে এন্দ নাইটতা য়ুনিটি পাক থৌবাল মেলা গ্রাউন্দা পাঙথোক্কনি হায়না থৌবাল হোক্কি এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এল সি ৱাই সি সি চানিং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেলনা স্পোন্সর তৌরগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা শীন্দুনা থা অসিগী ২ দগী টিম ৬ না শরুক য়াদুনা মহা য়ুনিয়ন গর্ভণমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী গ্রাউন্দা শান্নবা হৌখিবা এ দি সি চান্দেল ট্রোফি ২০১৯ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ঐচ ৱাই সি অমদি এন ৱাই দব্লিউ সি গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী শান্নখিবদা এল সি ৱাই সি সি চানিংনা টি এফ সিবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এল সি ৱাই সি সি চানিংগী গোল অদু রেঙহোলনা চনখি।

# ৱাই ও সি উয়াল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন, থৌবালনা শীন্দুনা থা অসিগী ৮ দগী চাওয়াইমা হয়ার সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা য়ু ও সি উয়ালনা এফ এফ সি মেলা গ্রাউন্দবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

লীগকী অনীশুবা মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা য়ু ও সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ লমঙানবদনা মিনট ১০, ৫৯ অমদি জর্সি নম্বর ৫ দিনেসনা মিনট ২৪ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা এফ এফ সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৪ অমরজিৎনা মিনট ৪১ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা য়ু ও সিগী জর্সি নম্বর ৭ রবিচন্দ্রনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

লীগকী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা ৱাই দি এ তেন্থা অমদি এ এফ সি (বি) অথোকপমনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দি এনা এ এফ সি (বি) বু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই দি এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৬ এন রোনল্ডোনা মিনট ৩ চৎপদা চনখি।

# ষ্টেটকী সেনিয়ার ৱুমেন নেস্নেল ফুটবোল টিম অরুনাচলগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন (এ আই এফ এফ) কী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১০ দগী টিম ২৮ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা অরুণাচল প্রদেশকী পাসিগাথদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫ শুবা সেনিয়ার ৱুমেন্স নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০ দা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপ্পরদা ই এস য়ু ৱাঙ্খেগী ই পান্থোই চানু, ক্রিপ্স নাওরেমথোংগী এম লিন্থোইঙানবী অমদি এম পি এস সিগী ও রোসনি দেবীনি।

দিফেন্দরদা ক্রিপ্সা নাওরেমথোংগী এন জি সুইটি দেবী, ক্রিপ্সা নাওরেমথোংগী ৱাই পাকপী, ই এস য়ু ৱাঙ্খেগী টি ঐচ উমপাতি দেবী, ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী পি ঐচ বিনা দেবী, ক্রিপ্সা নাওরেমথোংগী দব্লিউ লিন্থোইঙানবী দেবী অমদি ই এস য়ু ৱাঙ্খেগী এম অচৌবীনি।

মিদ ফিল্ডরদা এস এস সি (সি) সেক্তাগী পি ঐচ সনাথোকপী দেবী , এম পি এস সিগী এস প্রমোদিনি চানু, ই এস য়ু ৱাঙ্খেগী এম মন্দকিনি দেবী, ই এস য়ু ৱাঙ্খেগী আই প্রমেশ্বারি দেবী, ক্রিপ্সা নাওরেমথোংগী এল অশারানি দেবী অমদি ই এস য়ু ৱাঙ্খেগী ৱাই কিরনবালা দেবীনি।

ফোর ৱার্ডতা এম পি এস সিগী এন জি বালা দেবী, ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী ঐচ দয়া দেবী, ই এস য়ু ৱাঙ্খেগী কসিমা, ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী এস রিনারোই অমদি ক্রিপ্সা নাওরেমথোংগী ই বিন্দিয়ারানি।

ষ্টেট টিম অসি এস অমুতোম্বী সিংহনা মেনেজর অমসুং ও বেমবেম দেবীনা কোচ ওইনা লুচিংল্লি।

নীংশিংবা য়াই মদুদি মণিপুরনা সেনিয়ার ৱুমেন নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ৱিনর ১৯ রক ওইবা ঙমখ্রে অদুগা রন্নর্স অপ ৪ রক তাখ্রে।

# ইনুংঙানবী মিনি বোইজ য়ু-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্টদা এস বি এন ৱাই সি অমদি পি এস জি দ্রো চৎখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ০৯ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ জে এস এ)না শীন্দুনা মমাঙ থা ৩০ দগী টিম ১১ না শরুক য়াদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল ( জে ঐচ এস এস)কী প্লে গ্রাউন্দা ১৬ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী নীংশিং মিনি বোইজ অন্দর-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এন ৱাই সি নামদাইলোঙনা ৱাক ওবর ফঙখ্রে। অমদি এস বি এন ৱাই সি জিরিঘাট অমদি পি এস জিনা শান্নখিবা মেটচ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।



ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ওরেন্টেল ক্লব ববুপরা অমদি এন ৱাই সি নামদাইলোঙনা শান্নগদবা মেটচতা ওরেন্টেল ক্লব ববুপরাগী টিম লাক্তবনা মরম ওইরগা এন ৱাই সি নামদাইলোঙ ৱাক ওফর ফঙখ্রে।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা এস বি এন ৱাই সি জিরিঘাট অমদি পি এস জি কালিনগরনা শান্নখিবা মেটচতা গোল ১-১ দা দ্রো চৎতত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শশন্নখিবা মেটচ অসি এস এন বি ৱাই সি জিরিঘাটনা তোস ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা পি এস জি কলিনগরনা বোল কাওবা হৌখি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা এস এন বি ৱাই সি জিরিঘাটকী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১০ বাইক গোল্ডলান। গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা পি এস জি কালিনগরগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৭ না মিনট ৩৯ অমদি ৬৮ শুবা দা গোল ২ চনদুনা ২-১ দা মাঙজিল থাখি। অদুগা অরোয়বাদা এস এন বি ৱাই সি জিরিঘাটকী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৪ সোমোজিৎনা মিনট ৬৯ দা গোল ১ হন্দোক্তুনা অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবা ২-২ দা মান্না লৈবদগী মেটচ অসি দ্রো ওইখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে ঐচ নিলাকমল সিংহ, সাটচোঙ অমদি জোইয়্যল চোঙলোইনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েংগী পি এফ সি ফাইতোল অমদি জি পি এস এ সোনাপুরগা শান্নরগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com